# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১৩১

ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম



*ইন্দিয়া* লৈঙাক অসি নোংম-নোংমগী অফবা অচুম্বগী মায়োক্তা খুমাঙ য়াঙনা চাওশিল্লক্লি। শেঙ্গা-থুমজা, মীহাৎ-মীপূন, অরোনবা-অফোঙবা কয়া লেপ্তনা চত্থরক্লিবসি ঙসিদি য়াম্না লায়না চম্না খন্দোকপা য়াবা ওইরক্তরে। লায়রবা মীওই খুদিংমক নোংম-নোংমগী অৱাবা তানরক্লে। মসি পূম্নমক খঙনা-খঙনা, উনা-উনা লাইরিক হৈবা-হৈতবা খুদিংমক ৱাখল তানা ইরাক্নরক্লে। মসিগী ৱাফমসি লৈবাক মীয়াম খুদিংমক ইখঙ খঙনৈ। পুলিস কন্সটেবল লৌবদা লুপা লাক্ষ ১০গী মথক্তা তিংনরে। মসিমক অচুম-চুমদা মীয়াম্না ঙাঙনবনি। অদুবু নুংশিৎ শিৎতনা উনা খক লেংদে। মসিমদি অঙাংদগী অহল ফাওবা খঙনরবা ঙাক্তনি।

লমদমসিদা অচুম্বগীদমক থৱায় কৎথোকপা ঙম্বা মীগী মশীং নোংম-নোংমগী হন্থরক্লিবসি অচুম্বা খোঙথাং অমদি নত্তে। শেঙ্গা-থুমজা মুত্থৎপা হায়বসি মীচম মীয়াম্না খক ঙম্লোই। লৈবাক্কী ফম্নাইবশিংনা, অচৌ-অশাং পূম্নমক্না আইন অমগী মখাদা থবক ওইনা পাঙথোকপীরবতদা ওইথোক্কনি। মসিমক হন্দক্কী বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা পাঙথোকপীরক্কনি হায়বসি হৌজিক্কী মীচম মীয়াম্না থম্মোয় শেংনা থাজবনি। মীয়াম্না থাজনরিবসি কদোমদা থৈনখ্রবগে হায়বা ৱাহং অমদি মীয়ামগী মাঙদা লৈরে। শেঙ্গা-থুমজা, মীহাৎ-মীপূনগীদমক মরাল লৈবা খুদিংমক অমত্তা লেম্না থারোই হায়বসি নরেন্দ্র মোদিগী লাংজিংগী মীটিংদা ফোঙনা লাউরম্বনি। মীটিং অদুদা থাজগনবা মণিপুরী মীয়াম্না থম্মোয় শেংনা বি জে পিদা ভোট পীনরকখিবনি। লাংজিংগী মীটিং অদুদা মীয়ামগী থম্মোয়না শ্রী নরেন্দ্র মোদিগী ৱাফম্বু থাজরুবনি। মতম শাংনা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা মীচম মীয়ামশিং ওৎখিবা, হাৎতোকপীখিবা কয়াবু বি জে পি লৈঙাক্না মদুগী লংলা লংজিন পুথোরক্কনি হায়বসি থাজবদগী মণিপুরদা বি জে পি ইথা থাজদনা ৬০গী মনুংদা ২২ মায় পাকহন্দুনা মণিপুর মীয়াম্না পুথোরকখিবা অঙকপা নত্তে হায়বা খক য়াররোই। অদুবু পোলিটিক্স হায়বসি মসি ওইরে হায়বদু ময়েক শেংনা ৱাখল তানরকখি। মতম শাংনা ইন্দিয়া পূম্বদা পৱার পায়রম্বা, মণিপুরদা মনম লৈবাক অমুক্তা তাখিদ্রবা কোংগ্রেসকী মীরেপ ২৮বু ২২না ইন্থুরম্বা হায়বসি অঙকপগী মনুংদা হেন্না ঙকহল্লি। মসিমক্না পোলিটিক্সকী শরৌ লাং অমদি লৈতবা নত্তে। কোংগ্রেসকী টিকেটতা কারকপা অমা মরোমদোম ফোঙনা চোঙথোরক্তুনা বি জে পিদা য়াওশিল্লকপা অঙকপগী মথক্তা হেন্না ঙকপা পোক্নখিদবা নত্তে। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী চোঙথোক চোঙশিনগী লান মণিপুরদা পুৱারীগী তাঙ্কক অমদি হৌখ্রে। মতম অদুদা ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সকী পুৱারী অমসু ওইনখিদবা নত্তে। মতাংসিদা মপাঙ্গল কল্লবা মতম শাংনা লৈঙাক পায়রক্লবা কোংগ্রেসনা তুমিন্না লৈশিনখিবসি ওন্থোক্না ৱাহন্থোক কয়া থোক্না লৌনরমদবা নত্তে। ঙসিসু কোংগ্রেস পার্টিদগী বি জে পিদা চোঙশিনখিবশিংনা করিসু তৌবা ঙমদবসি মীয়াম্না ঙক্তবা ঙমদে। ঐখোয়গী গনতন্ত্রগী শক্তম ময়েক শেংনা মাঙথরক্লে। মসিমক পোলিটিক্সপু পামজবা থম্মোয় শেংবা খরদি ঙক্না ঙক্না ঙসি ফাওবা খাঙনরি।

মসি পূম্নমক খঙনা খঙনা টর্ম লোইশিনখিবসু কনানা তম্বা ঙম্বা। বি জে পিগী মনুংদা থম্মোয় কায়রবা এম এল এ য়াওরম্লোই হায়বসি কনানা হায়বা ঙমগনি। অদুবু কোংগ্রেসকী মতমদা হাপ্লম্বা পোষ্ট খরদি লৈতবা নত্তে। মসিগী মথক্তা মতম শাংনা মুক্নরকপা কন্সটেবলগী রিজল্ট হায়দোক্নরে। মসিগী মরক্তা বি জে পি লৈঙাক্না অমুক আই আর বি লৌনবগী লাং অমা থাক্লকপা অসি পোলিটিক্সকী লাংলৌনি হায়দবসু য়ারোই। কুমজা ২০১৯গী এম পি ভোটকী য়াই থারকপা চম্না তরাইনা খন্দোকপা য়াররোই। পোলিটিক্স ঙসিদি হামু-হামু তারক্লে। মমাঙথক্কী শেঙ্গা থুমজা, মীহাৎ-মীপূন, ঈরাং পূম্নমক করিসু অহোংবা পুরকপা ঙমদনা লৈরি। শেঙ্গা থুমজাগী কেস খুদিংমক নমশিন্দুনা থম্নরক্লি।

মতাংসিদা শেঙ্গা থুমজাদা লুপা লাক্ষ-লাক্ষ চেন্নবশিং মতম খরা লাংলম্লগা পূম্নমক তুমিন-তুমিন লৈশিনখিবদা করিসু ঙক্লিংঙাই ওইদ্রে। মসিগী মথক্তা লুপা ক্রোর কয়া শেঙ্গা থুমজা তৌরম্বদু মরাল লৈরে লাউথোক্লবসু মদুগী ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রে। মমৈথংদা মীয়ামগী শেঙ্গাও কয়া মাঙহল্লগা তুমিন তুমিন লৈশিনবসিনা শেঙ্গা থুমজা তৌবশিংদা থোইনা হেন্না মথৌ শংবগুম থোক্লে। মরাল লৈরবশিংদা চপ চাবা শেনফম শিংহনবা, লোয়ন-লোয়ননা মশাগী পেন্সনগী শেনফমদগী ককথৎপা, চহী চূপ্পা জেলদা থম্নরবদি হায়নরুবা-তাক্নরুবা নাইদনা শেঙ্গা থুমজা, মীহাৎ-মীপূন ময়াম অসি মশানা খঙনা মরোমদোম তোকচখিবা তাবনি। মদু নত্তনা ঙসি চত্থরক্লিবা চৎন-কাঙলোন খুদিংমক অসিদি মীহাৎ-মীপূন অমদি শেঙ্গা থুমজা তৌবশিংদা মথৌ হাপ্পগুম থোক্লরে। মসি পূম্নমক্কী মথক্তা অচৌবা ফম পায়রম্বা কয়ানা মশা মশাগী থবক্তগী পোত্থারগা ভোট লেপ্নরকপা অমত্তা তরাইবা নত্তে। মমাঙথক্কী শেঙ্গা থুমজা কয়াদা চেন্নরকপা য়াই খনবদগী ভোট লেপহৌরগা মন্ত্রি ওইহৌরগা মশা মশাগী অরানবশিং নাথৈনবা হোৎনবা য়াওদবসু নত্তে হায়বসি মীয়াম্না নীনফুং-নীনফুং ঙাংনরিবা ৱাফম অমদি তৎতনা হংনরিবা ৱাহংনি। লৈবাক্কী আইন, লৈবাক্কী লুর-লুরবা কয়াদা আইন শেমগদৌরিবশিংনা মন্ত্রি ওইবা হায়বসি অচৌবা অৱাবা অমনি। ইন্দিয়াগী গনতন্ত্রগী নুংগী পোরম খন্থহৌদবদগী ২২বু ২৮না মায়থীবা পীখিদবসি অচৌবা পাড়া অমনি । পোলিটিক্স হায়বসি য়াম্না লায়না তৌবা য়াবা নত্তে। আই এ এস ফাওবনা পোলিটিক্স তৌবা হায়বসি পোলিটিক্সকী ৱাহন্থোক মুন্না খঙদ্রবদি লাইরিক হৈরে হায়দুনসু তরাইদে। মরম অদুনা ঐখোয়গী অহল-লমনশিংনা হায়নবা লৈ, পোলিটিক্স তৌবা হায়বসি তুরেলগী লৈঙোইদগী হেন্না কুপ্পী হায়নরিবা অসি মুন্না খন্থমিন্নবগী তাঙ্গা লৈতবসু নত্তে।

মণিপুরদা ঙসি ফাওবা চত্থরক্লিবা আইন অসি লৈঙাক পায়রিবশিংনা য়াম্না কূপ্না নৈনবীফম থোকই। মশা মশাগী চপ চাবা মরাল লৈবশিং চৎন-কাঙলোন চুম্না য়াদে হায়বা অমা মশক থোক্না খঙহন্দুনা থবক পায়খৎপীয়ু। মরাল লৈবা পুলিস ওফিসর, কন্সটেবল মতম খরা থবক্তগী পোত্থাহনবনা অচুম্বা পুরকপা খক য়ারোই। মরাল লৈবশিং থবক্তগী লৌথোক্কদবনি। পুন্সি চূপ্পা জেলদা থম্বীগদবনি। মরাল লৈবা থিকাদার, এম এল এ, মন্ত্রি ফাওবা চৈরাক পীবগী মহুত্তা পুন্সি চূপ্পা জেলদা থম্লবতদা অচুম্বা অশেংবা, অফবা লৈঙাক ওইগনি। মদু নত্তনা মতম খরা থৈদোকপনদি অচুম্বগী মফম, অশেংবগী মতম পুরকপা ওইথোক্লোই। হন্দক্কী বোসেমগী সেক্রেটরি, কন্ত্রোল্লর শিন্দোকপনা আইনগী থোঙদা অচুম্বা পুরকপা য়ারোই। মসিমক য়াম্না লায়না তকোম-তকোম খন্দোকপনা তুংগী পুন্সিদা অচৌবা অশোয়বা অমা ওইরক্কনি। মসিমক মীশি মীনাদি নত্তে। মখোয়না হাৎতোকপসু নত্তে। হন্দক্কী কেস অসি লৈঙাক্না কুপ্না নৈনবীফম থোকই। মসিগী মথক্তা নহারোল ১৫২৮ পুন্সি মাঙখিবা, নুংথিল পোবোবতা রবিনা-সঞ্জিৎ হাৎপদা চেন্নবশিং পূম্নমক ঙসি ফাওবা অসুক শাংনা নমশিন্দুনা থম্বসিগী ৱাহন্থোক লৈরিব্রা। মসিদা নত্তনা মীকোক কয়াগী শরূ পোলাং ফংখিবশিং মতিক চাবা থবক পায়খৎতবা অমদি লোক্তাক শেংবগী ৱাথোক্না কদোমদা নাথৈখ্রবগে? মরম অদুনা হন্দক্কী বোসেমগী ৱাথোক অসিসু তরাইদে। মরাল লৈবশিং মতম চানা চপ চাবা চৈরাক পীহৌদ্রবদি থাজ-থাদ্রবা ৱাথোক কয়া থোরকখিগনি। মণিপুর তশেংনমক আইন লৈত্রবা লমদম অমা ওইরে হায়বসি লৈঙাক পায়রিবশিংনা কূপ্না নৈনবীফম থোকই। আইন লৈতবা লমদম অমনা কৈদৌনুংদা চাওখৎপা খক য়ারোই।

মপূং ওইনা অচুম্বসি অমুক্তং তরু-তরুনা ময়েক শেংনা মশক থোক্না ফজনা পায়খৎলগা মথং মথং লৌথবিরকউ । মদু নত্তনা অমসু মপূং ফাদনা অমা হেক্তা পায়খৎলকপা হায়বসি মমাঙগী তৌবা ঙমদবা থবকশিং অনৌবনা কুপশিনবগী চৎনবী থাদোকপীয়ু। চীংদা চৎলু, খুঙ্গংদা চৎলুগী প্রোগ্রাম হান্নদগী হেন্না মশক থোক্না থবক পায়খৎহন্নীংই। এম এল এ অমগী মাগী মাগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী থাদরকপা শেনফম তশেং তশেংনা মীয়ামদা খঙহনবীয়ু। অচুম্বসি থিদোকমিন্নরসি, অচুম্বগী জয় পূন্না লৌমিন্নরসি, অচুম্বদি মাঙহনবা খক য়াররোই। হীরম খুদিংমক্তা মরাল লৈরে খঙলবশিং পুন্সিগী হৌগৎপা য়াররোইদবা অহকপা চৈরাক পীবীফম থোক্তব্রা? নুপী অঙাংগী ৱাথোক্তা চেন্নবশিংদা পীরিবা চৈরাক অসিমক নৈননীংঙাই লৈতবা নত্তে। মরম অদুনা লুপা ক্রোর-ক্রোর মাঙহনবা, শেঙ্গা থুমজাদা চেনবশিং, নম্বর ফোর ললোনবশিং অমদি মরাল লৈজদবা মীচম হাৎপদা চেন্নবশিং চহী খরা জেলদা থম্বনা মতিক চাবা চৈরাক নত্তে। মতুংদা মখা তানা চত্থরক্তনবা পুন্সি চূপ্পা নৎত্রগা ফাঁসি তৌদুনা চৈরাক পীহৌদ্রবদি মখা তাবা থাজদ্রবা ৱাথোক কয়া থোরক্কনি। আইনগী থবক চপ চানা পায়খৎহৌবনা পূম্নমক্কী য়াইফগনি। অচুম্বগী মফম কলহৌবা হায়বসিনা তুংগী মীরোলনা হিংবদা শাফগদৌরিবনি। লৈবাক অসিদা ঙসি ফাওবদা চত্থরকখিবা মীহাৎ-মীপূন, নুপীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবা মীওইশিং ফাদুনা মখোয় মখোয়দা চৈরাক পীরবসু মতুংদা অমুক হন্না তৌদনবা হেন্না মতিক চাবা চৈরাক পীহৌবনা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি। শঙ্গ-পঙ্গগী ৱাখল থাদোক্তুনা অচুম্বগী মফম কল্লসি, অওনবা-অহোংবা লমদম অমা ওইহল্লসি, ঐখোয় খুদিংমক অচুম্বগীদমক লেপমিন্নরসি।

---

মমি ৱারী

## ‘ঐখোয়গী মতম’

### খাবা থোঙাম









ঈশিং চাইবী, তমেংলোং



পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।